# শিজ হোস্পিটালনা হায়দরবাদকী এ আই জি হোস্পিটালগা এম ও য়ু খূৎয়েক পীনখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০১ (ঐচএনএস): মণিপুরদা অহানবা লিভর ত্রান্সপ্লান্ট পাঙথোক্লবগীদমক্তা শিজ হোস্পিটাল, ইম্ফাল অমসুং এ আই জি হোস্পিটাল, হায়দরবাদনা হৌখিবা নিংথৌকাবদা এম ও য়ু অমা খূৎয়েক পীনখ্রে। শিজ হোস্পিটালগী সী এম দি ডো. পালিনগী মতুংইন্না হোস্পিটাল অসি ইন্দিয়া অমদি য়ূমথংনরিবা লৈবাক ম্যান্মার অমসুং অতৈ লৈবাক কয়াগী মীয়ামদা কখোল্লবা লিভর ত্রান্সপ্লান্টকী ওইবা সেন্টর ওফ এক্সলেন্স অমা ওইরগনি।

এম ও য়ু খূৎয়েক পীনবগী থৌরম অদুদা ৱা ঙাঙলদুনা হায়দরবাদকী এ আই জি হোস্পিটালগী ভি পি সন্তোশ কুমার শাহুনা হায়খি মদুদি এ আই জি হোস্পিটালগা শিজ হোস্পিটালগা খূৎশম্নরিবসি ইম্ফালদা গ্লোবেল ষ্টেন্দর্দ ওইবা 'লিভর ত্রান্সপ্লান্ট সেন্টর' অমা লিংখৎতুনা লমদম অসিগী মীয়ামদা খ্বাইদগী এদভান্স ওইরবা লিভর ত্রান্সপ্লান্টকী খুদোংচাবশিং ফংহন্নবগীদমক্তনি।

শিজ হোস্পিটাল অমসুং এ আই জি হোস্পিটালনা খূৎশম্নরগা লিভর অমসুং ওনকোলোজিগী সুপর স্পেসিএলিটি আউটরিচ ক্লিনিকশিং শিন লাংগনি। এ আই জিনা অৱাং নোংপোক্কী ডোক্টরশিং অমসুং পেসেন্টশিংদা একাদেমিক্কী এক্সপিরিএন্স অমদি ৱর্ল্ড ক্লাস মল্টি সুপর-স্পেসিএল্টি সুপরলেটিভ মেদিকেল ক্যের ওফর তৌরি হায়না এ আই জি হোস্পিটালগী দি জি এম রাতুল কুমার মিশ্রানা ফোঙদোকখি।

এ আই জি হোস্পিটালগী লিভর ত্রান্সপ্লান্টকী লিভর স্পেসিএলিষ্ট কম দিরেক্টর ডা. পি বালাচন্দ্রন মেনন্না ফোঙদোকখিবদা, স্ক্রিনিং পাঙথোক্তুনা অমসুং ঙন্না লায়না দিটেক্ট তৌদুনা মমল য়াম্লবা পুন্সিশিং কনবা হায়বসি হৌজিক লমদম অসিগী য়াম্না মরু ওইবা তৌফম থোকপা অমনি।

একুয়ট অমসুং ক্রোনিক লিভর দিজিজ (সী এল দি) অনীমক্কী ওইনা লিভর ত্রান্সপ্লান্টনা খ্বাইদগী ইফেক্টিভ ওইবা ত্রিটমেন্ট ওপসননি। মসি অরোইবা ষ্টেজদা নাবা লিভরগী লায়না লায়েংগী অমত্তা ঙাইরবা পাম্বেনি। ডো. মেনন্না মখা তানা হায়, লিভর অসি অমুক হন্না চোংখৎচবা (রিজেনেরেসন) ঙমজবনা লাইভ লিভর ত্রান্সপ্লান্টশিং মায় পাক্কল্লি। লিভর ফেল ওইবগী খ্বাইদগী কম্মন ওইবা লায়ওংদি পুক্তা মহি পৈশিল্লকপা অসিনি। মসিবু অসাইটিজ হায়না খঙনৈ। লিভর পেসেন্টশিংনা লায়নাসিগী অরোইবা তাঙ্কক লাকপা থিংনবগীদমক্তা লায়েংলিবা ডোক্টরনা মখা তানা চাং নাইনা কূপ্না য়েংশিনবগী তঙাইফদবা লৈ। লিভর লায়নাগী কম্মন ইন্দিকেসন খরদি জোন্দিস, হেপাটাইটিস বি অমসুং সী, ক্রোনিক অলকোহোলিজম অসিনি। মহৌশানা সী এল দি পেসেন্টশিংনা জোন্দিস, ঈ ওবা, অসাইটিজ অমসুং হেপাটিক এন্সেফেলোপেথিগুম্বা লিভর মথৌ তৌরক্তবগী লাইওংশিং উৎপা হৌরকই। লিভর পেসেন্ট অদুগী অশোকপা লিভর অদু লৌথোক্লগা মঙোন্দা লায়না চেন্দবা অফবা লিভর ত্রান্সপ্লান্ট তৌগদবনি।

# রিজাইন তৌখ্রবা এক্স-এম এল এ ৩গী কেসতা সিনিয়র কাউন্সেল কপিল শিবলনা আর্গ্যুমেন্ট তৌখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০১ (ঐচ এন এস) : হৌখিবা জুন ১৯দা পাঙথোকখিবা মণিপুরগী রাজ্য সভাগী সিট অমগী মীখলগী মাঙওইননা থোকখিবা পোলিটিকেলগী ওইবা চরাংনবা মরক্তা বি জে পিগী এম এল এশিং ওইবদগী রিজিগনেসন লেট্টরশিং পীশিল্লকপদা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লীগী স্পিকরনা অয়াবা পীখি হায়বগী মায়োক্তা হায়কোর্ট ওফ মণিপুরদা এক্স-এম এল এ ৩ অসিগী মায়কৈদগী ফাইল তৌরকখিবা সিভিল রিট পিটিসনশিংগী ৱায়েলদা কেসশিং অসিদা রেস্পোন্দেন্ট অমা ওইনা য়াওরিবা মণিপুর প্রদেশ কোংগ্রেস কম্মিটিগী মায়কৈদা লেপখিবা শক্লাইরবা সিনিয়র কাউন্সেল কপিল শিবলনা মহাক্কী আর্গ্যুমেন্টশিং সবমিসন তৌখ্রে।

কেসশিং অসি রিজাইন তৌখ্রবনি হায়বা তমেংলোং এ সীগী সাম্যুল জেন্দাই, হেংলেপ এ সীগী টি থাংজালম হাওকিপ অমসুং নাওরিয়া পাখংলাকপা এ সীগী সোইবম সুভাসচন্দ্রনা পিটিস্নরশিং ওইদুনা ফাইল তৌরকখিবনি। মখোয় অহুমগী পিটিসনশিং অসিগী নম্বরশিংনা মথংশিংনা দব্লিয়ু পি (সী) ৩৯৬ ওফ ২০২০, ৩৮৭ ওফ ২০২০ অমসুং ৪৩৩ ওফ ২০২০ নি।

হায়কোর্টনা মখোয়গী সিভিল রিট পিটিসনশিং অসি লৌখৎলগা জষ্টিস লানুসুংকুম জামির অমসুং জষ্টিস অহন্থেম বিমোলগী দিভিজন বেঞ্চতা লিষ্ট তৌদুনা মসিগী ৱায়েল চথরকখিবগী মনুং চন্না ঙসিসু পিটিসনশিং অসি বেঞ্চ অসিদা লিষ্ট তৌখি। কোর্টনা মেট্টরশিং অসি লৌখৎলকপদা পিটিসনশিং অসিগী রেস্পোন্দেন্ট ওইরিবশিংগী মনুংদা য়াওরিবা এম পি সী সীগী মায়কৈদা লেপখিবা সিনিয়র কাউন্সেল কপিল শিবলনা মহাক্কী ওইবা আর্গ্যুমেন্টশিং মতম শাংনা লৌদুনা সবমিসন তৌখি। অদুম ওইনমক ঙসিগী কোর্ট অৱার ফাওবগী মনুংদসু মহাক্কী সবমিসনশিং অদু মপুং ফানা লোইশিনবা ঙমখিদবদগী কোর্টনা মখা তাবা শরুকশিং থা অসিগী ৮দা পাঙথোক্লবগীদমক লিষ্ট তৌনবা দিরেক্সন পীখি।

পনবা য়াবদি, পিটিসন ৩ মক্কী রেস্পোন্দেন্টশিংগী মনুংদা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লীগী স্পিকর য়াওরিবনি। অদুগা পিটিস্নর সাম্যুল জেন্দাইগী মায়কৈদনা সিনিয়র কাউন্সেল ঐচ এস পাওনমনা লেপ্লগা টি টি হাওকিপকী মায়কৈদনা কাউন্সেল ডা. আর কে দিপকনা লেপখি। পিটিস্নর এস সুভাসচন্দ্রগী মায়কৈদনা সিনিয়র কাউন্সেল মাইবম হেমচন্দ্রনা লেপখিবনি।

# সী এমনা কোভিদ-১৯গী ফীভম...

*লামায় ১গী মখা...* মরাং কায়না লৈরিব্রা লৈত্রবরা হায়বদু মরী লৈনবা ওফিসলশিংনা চাং নাইনা য়েংশিনগদবনি। লোয়ননা লায়না-লাইচৎ অসিবু থেংনবদা হেন্না খুদোংচাহন্নবগীদমক মপুং ফাবা কোওর্দিনেসন পীননবা লৈঙাক্কী অমদি লন্নাই হোস্পিটালশিংগী মেদিকেল সুপরিন্টেন্দেন্টশিংগী ওইবা ৱটচএপ গ্রুপ অমা শেম্লনবসু ওফিসলশিংদা চীফ মিনিষ্টরনা খঙহনখি।

হেল্থ সর্ভিসেসকী দিরেক্টর ডা. কে রাজোনা লুচিংবা এক্সপার্ট টিম অমনা রিমস, জে নিমস, শিজ হোস্পিটাল অমদি রাজ মেদিসিটিদা কোভিদ-১৯ পেসেন্টশিং শিখিবগী মরমশিং থিদোকপগী সর্ভে অমা চথখ্রে। সর্ভে অদুগী ফাইন্দিংদা মতম থেংথনা হোস্পিটালাইজেসন তৌবনা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরবা মীওই অয়াম্বা শিখিবগী মরম ওইরি হায়বসু খঙবা ঙমখ্রে। মসিনা মরম ওইরগা কোভিদ-১৯ পেসেন্টশিংগী মরক্তা সিম্পটোমেটিক ওইরক্লবদি অথুবা মতমগী মনুংদা হোস্পিটালদা লায়েংথোক্লনবা এৱ্যোর্নেস পীবগী তঙাইফদবা লৈরে হায়রি।

রিমস হোস্পিটালদা হৌজিক হৌজিক আই সী য়ুগী ফমুং ১৭ য়াওনা আইসোলেসনগী ফমুং ১৭০, জেনিমসতা আই সী য়ুগী ফমুং ১৫ য়াওনা আইসোলেসনগী ফমুং ১৪৫, শিজ হোস্পিটালদা আই সী য়ুগী ফমুং ১৫ য়াওনা আইসোলেসনগী ফমুং ৫৭ অমসুং রাজ মেদিসিটিদা আই সী য়ুগী ফমুং ৪ য়াওনা আইসোলেসনগী ফমুং ২১ লৈ হায়রি।

# '৮২ শুবা নুপী লানগী নিংশিং থৌরম পাঙথোক্লগনি'

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০১ (ঐচএনএস) : মণিপুরগী পুৱারিদা মুৎনাইদনা লৈহৌরগদবা কুমজা ১৯৩৯গী দিসেম্বর ১২দা থোকখিবা অনিশুবা নুপীলান নিংশিং থৌরম ওল মণিপুর নুপী মরুপ্না শিন্দুনা লাক্লিবা দিসেম্বর ১২গী অয়ুক পুং ১২দা ইম্ফালগী জি এম হোলদা কোভিদ-১৯গী এস ও পি ঙাক্লা পাঙথোক্লগনি হায়না ওল মণিপুর নুপী মরুপকী সেক্রেটরি এল সুমতিবালানা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরকখিবদা ৮২ শুবা নুপী লান নিংশিং থৌরম অসিদা কোভিদ-১৯ থেংননবা ষ্টেট লৈঙাক্লা অকনবা লোকদাউন লাউথোকখিবা মনুংদা নুপী অমসুং নুপীমচাশিংগী মথক্তা চৎথখিবা তমথিরবা মীওৎ মীনৈশিংগা লোয়ননা ষ্টেট অসিগী অপুনবা মীশিংগী তঙ্খায় অমা ওইরিবা নুপীশিংনা থেংনরিবা খুদোংচাদবশিং কোকহন্নবগী মতাংদসু খন্ন-নৈনগনি হায়রি।

# ফোরেন্সিক এক্সপার্ট মশামক্লা এগজামিন তৌখিবা ...

*লামায় ১গী মখা...*(এন দি এন্দ পি এস), থৌবালগী কোর্টতা থাগৎলক্লবা মতুংদা কেসশিং অসি লম্ফেল কোর্ট কমপ্লেক্সতা লৈবা স্পেসল কোর্ট (এন দি এন্দ পি এস), মণিপুরদা ত্রান্সফর তৌরকখিবনি। অদুগা তোঙান-তোঙানবা কেস অহুম অসি মমাঙদা কোর্ট অসি প্রেসাইদিং ওফিসর ওইরমখিবা জজ অমনা অমদা পুল্লপ পুনশিনহল্লম্লগা স্পেসল ত্রাইয়েল নম্বর- ৩৪ ওফ ২০১৬ ওইনা লৌখৎতুনা মসিগী ৱায়েলশিং চথরক্লিবনি।

হৌজিক্লা কেস অসিগী ৱায়েলগী শরুক্তা অহানবা তাঙ্কক ওইরিবা চার্জশীটতা য়াওরকপা প্রোজিক্যুসন ৱিটনেস (পি দব্লিয়ু)শিংগী এগজামিনেসন অমসুং মখোয়গী ক্রোশ এগজামিনেসনশিং স্পেসল কোর্ট অসিগী জজ ৱাইখোম তোনেনগী কোর্ট অসিদা থেঙ্খাং নাইনা চথরক্লিবনি। ৱায়েলসিগী মখা তারকপদা ঙসি কোর্টসিদা এফ এস এল, পাঙ্গৈগী ফোরেন্সিক এক্সপার্ট ওইরম্বদগী কেস অসিগী ফাগৎলবা দ্রগ (টেব্লেট) সেম্পলশিং এগজামিন তৌখিবা মীওই অমা অমসুং এন ঐচ পি সী, লোক্তাক প্রোজেক্টকী ইলেক্ট্রিসিয়ন ওইবা পি দব্লিয়ু অনী এগজামিন তৌরগা মখোয়গী ক্রোশ এগজামিনেসনসু পাঙথোকখি।

পি দব্লিয়ু অনীগী মনুংদা অমা ওইখিবা ফোরেন্সিক এক্সপার্ট অদুগী মমিং পি ঐচ নিমাই (৬৬) কৌই। থাংমৈবন্দ লৌরুংপুরেল লৈকায়দগী লৈখিদ্রবা পি ঐচ সাজৌগী মচানুপানি। মহাক এফ এস এল, পাঙ্গৈগী থবক্তগী পোত্থারবা এক্সপার্টনি। অদুগা স্পেসল ত্রাইয়েল কেস অসিগীনা পি দব্লিয়ু নম্বর- ১৫ নি।

ঙসি মহাক্কী এগজামিনেসনদা মহাক্না কোর্টতা দিরেক্টর (এফ এস এল), পাঙ্গৈনা জুলাই ৯, ২০১৩দা স্পেসল কোর্ট অসিদা এদ্রেশ তৌদুনা এগজামিনেসন রিপোর্ট অমগা লোয়ননা পীখিবা চেরোল অদু মশক তাকখি। মহাক্না এগজামিনেসন রিপোর্ট অদু মহাক্না প্রিপ্যার তৌবনি অমসুং মহাক্কী খুৎয়েক্কী মখাদা সবমিট তৌবনি হায়খি। মসিদা য়াওবা মশাগী খুৎয়েক অমসুং মসিগী ফোৰ্ৱাদিং লেট্টরদা য়াওবা দিরেক্টর (এফ এস এল), পাঙ্গৈগী খুৎয়েকসু মহাক্না কোর্টতা মশক তাকখি। এগজামিনেসন রিপোর্ট অদু ককচিং পুলিস ষ্টেসনগী কেস এফ আই আর নম্বর- ২৭(২)২০১৩গা মরী লৈননা ফংবা এগজিবিটশিংগী রিফরেন্সতা পাঙথোকখিবনি হায়রি।

এগজামিনেসনগীদমক কেস অসিগী সিল্ড তৌরবা এগজিবিট/আর্টিকলশিং য়াওবা এনভেলপ ১২ ফংখি। এগজিবিটশিং অসি ফংলবগী মতুংদা মহাক্না মসিবু লেবোরেটরিদা তোঙান-তোঙানবা মার্কিং তৌখি। ফোর্ৱাদিং লেট্টর অসিদা এগজামিনেসন তৌনবগীদমক ফংখিবা আর্টিকলশিং অমসুং মসিগী রিপোর্ট য়াওরে হায়না কোর্টতা ফোঙদোকখি।

লোয়ননা কেস অসিগী এগজিবিটশিং ওইরিবা দিরেক্টর (এফ এস এল), পাঙ্গৈগী খুৎয়েক অমসুং ফোৰ্ৱাদিং লেট্টরবসু মহাক্না কোর্টতা মশক তাকখি। আর্টিকলশিং অদুগী এগজামিনেসনগী রিজল্টতা এগজিবিট অয়াম্বদগী 'সিউদোইফিদ্রিন ঐচ সী এল' অমসুং 'কেটামাইন ঐচ সী এল' দিটেক্ট তৌবা ঙমখি হায়বা ৱাফমশিংসু মহাক্না কোর্টতা ফোঙদোকখি।

দিরেক্টর (এফ এস এল), পাঙ্গৈগী অহানবা ফোর্ৱাদিংগা কোন্নবা এগজিবিটশিং এগজামিন তৌবগী রিপোর্ট থাখ্রবা মতুংদা অনীরকশুবা এগজিবিটশিং এগজামিন তৌবগী রিজল্ট অমসু মে ৩১, ২০১৩দা এফ এস এল অসিগী দিরেক্টরগী মায়কৈদগী স্পেসল কোর্ট (এন দি এন্দ পি এস), মণিপুরগী কোর্টতা থাখি। অনীরকশুবা এগজামিনেসন রিপোর্ট অদুসু মহাক্না প্রিপ্যার তৌখিবনি অমসুং মহাক্কী খুৎয়েক্কী মখাদা সবমিট তৌখিবনি হায়খি।

রিপোর্ট অদুদা য়াওবা দব্লিয়ু লুখোই কৌবা মীওই অমগী খুৎয়েকসু মহাক্না কোর্টতা মশক তাকখি। লোয়ননা অনীশুবা এগজামিনেসন রিপোর্ট অসিগী ফোর্ৱাদিং লেট্টরদা লেবোরেটরি অসিগী দিরেক্টরনা পীখিবা মহাক্কী খুৎয়েক অদুবুসু মশক তাকখি। অনীশুবা এগজিবিটশিংগী এগজামিনেসন রিপোর্ট অসি ককচিং পুলিস ষ্টেসনননা রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎখিবা কেস এফ আই আর নম্বর ২৮(২)২০১৩গা মরী লৈননা ফংখিবা এগজিবিটশিংগী রিফরেন্সতা পাঙথোকখিবা এগজামিনেসনগী রিপোর্টনি হায়খি। হায়রিবা এগজিবিটশিং অসি লেবোরেটরি অসিনা জন্যুৱারী ৩, ২০১৩দা এগজামিনেসন তৌনবগীদমক ফংখিবনি। মসিদা সিল্ড তৌরবা তোঙান-তোঙানবা এনভলপশিং এগজিবিট/আর্টিকলশিং য়াওনা মসিগী ফোৰ্ৱাদিং লেট্টরগা লোয়ননা ফংখি হায়রি।

মহাক্না কোর্টতা খুৎয়েক মশক তাকখিবা দব্লিয়ু লুখোই হায়রিবা মীওই অসি এফ এস এল, পাঙ্গৈগী সাইন্টিফিক এসিষ্টেন্ট ওইবনি হায়নসু কোর্টতা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা অনীশুবা এগজিবিটশিংগী এগজামিনেসনগী রিজল্টতা সিউদোইফিদ্রিন ঐচ সী এল য়াওই হায়বগী দিটেক্ট তৌবা ঙমখি হায়রি। লোয়ননা ককচিং পুলিস ষ্টেসনননা থৌদোক অদুগা মরী লৈননা রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎখিবা অহুমশুবা কেস এফ আই আর নম্বর ২৬(২)২০১৩ গা মরী লৈনবা এগজিবিটশিং এগজামিনেসন তৌনবগীদমক ফংখি অমসুং মসিগী রিপোর্টশিং কোর্ট অসিদা লানখৎখি হায়বা ৱাফমসু ফোঙদোকখি। ইকোন কোনবগী কেস অসিগী এগজিবিট/আর্টিকলশিং য়াওবা সিল্ড তৌরবা এনভলপশিংগী মশীংনা ৯নি হায়খি। অহুমশুবা কেস অসিগী এগজিবিট/আর্টিকলশিংগী এগজামিনেসনদসু সিউদোইফিদ্রিন ঐচ সী এল দিটেক্ট তৌবা ঙমখি হায়রি।

ফোরেন্সিক এক্সপার্ট ওইনা থবক তৌরমখিবা পি দব্লিয়ু অসিনা মহাক্কী ৱারোলশিং অসি ফোঙদোক্লবা মতুংদা মহাকপু কেস অসিগী একুয়জশিংগী দিফেন্স কাউন্সেলশিং ওইরিবা এদভোকেটশিং এম দিগেন্দ্র, বি বিমোল অমসুং সী ঐচ তানসেননচিংবনা ক্রোশ এগজামিনেসন তৌখি। দিফেন্স কাউন্সেলশিংনা ক্রোশ এগজামিনেসন তৌবগী পাউখুমদা মহাক্না কোর্টতা কেস অসিগা মরী লৈননা সী বি আইগী ইনভেষ্টিগেটিং ওফিসর (আই ও)না মহাক্কী ষ্টেটমেন্ট রেকোর্দ তৌখিদে। অদুগা মহাক্না এগজামিন তৌখিবা টেব্লেট (এগজিবিট/আর্টিকল)শিং অদুগী মমিংশিং নীংশিংবা ঙমদ্রে হায়না কোর্টতা ফোঙদোকখি। অদুম ওইনমক এগজিবিট/আর্টিকলশিং অদুগী এগজামিনেসন রিপোর্টশিং অদু অরানবা অমসুং শেমজিন শাজিনবশিংনি হায়বা ৱাফমদদি মহাক্না য়ানিংদবা ফোঙদোকখি।

মহাক্না মখা তানা ক্রোশ এগজামিনেসনগী পাউখুম ওইনা ফোঙদোকখিবদা, মহাক মশামক্লা এগজামিন তৌখিবা এগজিবিট/আর্টিকলশিং অদু করম্বনো হায়বদুসু হায়বা ঙমদ্রে হায়খি। লোয়ননা মহাক্লা ফোরেন্সিক সাইন্স লেবোরেটরি, পাঙ্গৈদা হৌজিক ৱায়েল চথরিবা কেস অসিগা মরী লৈননা আর্টিকল অমত্তা এগজামিন তৌখিদে হায়বসিসু অচুম্বনি হায়খি।

অমরোমদা, ঙসি কেস অসিগা মরী লৈননা মসিগী প্রোজিক্যুসন ৱিটনেস নম্বর ১৪ ওইরিবা চরোইবম বিরজিৎ (৩০), অপোকপা সী ঐচ জিতেন, তাওবুংখোক অৱাং লৈকায়বুসু কোর্টনা এগজামিন তৌখিবগা লোয়ননা মহাকপুসু ক্রোশ এগজামিনেসন তৌখি। মহাক এন ঐচ পি সী, লোক্তাক প্রোজেক্টতা ইলেক্ট্রিসিয়ন ওইনা থবক তৌবা মীওইনি হায়রি।

মহাক্না ফোঙদোকখিবশিংগী মনুংদা এন ঐচ পি সী, লোক্তাক প্রোজেক্টতা কন্ট্রেক্ট ওইনা থবক চঙদ্রিঙৈগী মমাঙদা মহাক এন সী সী ওফিস, ইম্ফালগী মায়োক্লবদা লৈবা থাংমৈবন্দ কাব্রবম লৈকায়দা লৈবা শ্রী এসেসরিজ কৌবা দুকান অমদা থবক তৌরম্মী। দুকান অসি ম্যুজিক সিষ্টম, সিট কোভর, গাড়ীগী নম্বর প্লেটনচিংবা শেম-শাবগী থবকশিং তৌবা দুকাননি। ফেব্রুৱারী ২০, ২০১৩দা দুকান অসিদা শেমখিবা 'পি আর ও ইম্ফাল' হায়বা নেমপ্লেট অদুগী কেস মেমো অদু মহাক্না শেমখিবনি হায়না কোর্টতা ফোঙদোকখি। হায়রিবা নেমপ্লেট অসি গাড়ী মচা (স্ক্যুটি) অমদা লাকখিবা মীওই অমনা ওর্দর তৌরম্বদগী পুং ১ রোম লৈরগা শেল্লগা পীখিবনি। মসিগীদমক মহাক্না লুপা ৩৫০ লৌহৌখি হায়নসু কোর্টতা ফোঙদোকখি।

# মিংচৎ থিহন্নবা অমদি লান্না উহন্নবা হোৎনবনি : ডা. প্রেমলাতা

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০১ (ঐচ এন এস) : মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী এদমিনিষ্ট্রেটর জর্নেল সিংহগী ফ্যেরৱেল ফঙ্কসনদা শরুক য়ানিংদ্রে, য়ুনিভর্সিটি অসিগী এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্টকী মীওই খরনা মহাক্কী এদমিনিষ্ট্রেসনদা খম থেংনা ৱারৌরে হায়না মীদিয়াদা ফোঙদোরকখি হায়রিবা থৌওং অদু লন্নাই মীওই খরনা এম য়ুগী এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্টপু মিংচৎ থিহন্নবা অমদি লান্না উহন্নবা হোৎনবনি। মসি য়াম্না লাইবক থীবা থৌওংনি হায়না এম য়ুগী এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্টকী হেদ ডা. প্রেমলাতা মাইস্নামনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, লন্নাই মীওই খরনা এম য়ুগী এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্টপু মিংচৎ থিহনবা অমদি লান্না উহনবা য়াবা ৱাফমশিং ফোঙদোরকখিবা অসিগা মরী লৈননা য়ুনিভর্সিটি অসিগী স্কুল ওফ এদ্যুকেসনগী দিন প্রোফেসর টি ইনাওবীনা চ্যের লৌরগা দিপার্টমেন্ট অসিগী ওজাশিংগা লোয়ননা দিপার্টমেন্টেল ইমর্জেন্সি মীটিং অমা ঙসি পাঙথোকখ্রে। মীফম অদুদা এম য়ুগী এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্টকী হেদ ডা. প্রেমলাতা মাইস্নাম, দিপার্টমেন্ট অসিগী ওজাশিং হায়বদি ডা. কেরোলিন ঙাইলিয়ানকিম, ডা. কে সিতলজিৎ, ডা. সী ঐচ বেদ, ডা. এন মুনিন্দ্রো অমসুং ডা. এন সঞ্জয়সু শরুক য়াখি। মীফম অদুদা দিপার্টমেন্ট অসিগী কাউন্সিল্লর সন্তোস খন্নামসু শরুক য়াখি।

দিপার্টমেন্টেল ইমর্জেন্সি মীফম অদুনা দিপার্টমেন্ট অসিবু লান্না উহন্নবা হোৎনরকখিবা থৌওংবু অকনবা মওংদা কন্দেম তৌখ্রে। দিপার্টমেন্ট অসিবু মীয়ামদা মখা তানা লান্না উহন্নবা হোৎনরক্লিবা মীওইশিংগী মথক্তা দিপার্টমেন্টনা লোগী মতেং লৌদুনা লৌখৎফম থোকপা এক্সনশিং লৌখৎনবসু ৱারেপ্নরে। লোয়ননা মতুংদা অসিগুম্বা থৌওং অসি চথবীগনু হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

# হকচাংগী ফীভম তোঙাল্লবশিং য়াইফহন্নবগী লৈঙাক্কী ফিরেপ লৈ : হেনরি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০১ (ঐচএনএস): ষ্টেট অসিগী হকচাংগী ফীভম তোঙাল্লবা মীওইশিংগী পুন্সি মহিংগী ফীভম ফগৎহন্নবা অমসুং মখোয়বু নুংঙাই-য়াইফহন্নবগীদমক্তা ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা পাংবা য়াবা মতেং খুদিংমক পাংগনি হায়না সোসল ৱেলফ্যের মিনিষ্টর হেনরি ওক্রমনা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি ওইনাম শওম্বুংদা পাঙথোকখিবা গভর্ণমেন্টকী তোঙান তোঙানবা স্কিমশিংগী মখাদা সিনিয়র সিটিজনশিং অমসুং হকচাংগী ফীভম তোঙাল্লবশিংদা এইদস অমসুং এলাইএন্সশিং য়েন্থোকপগী থৌরমদা মিনিষ্টরনা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

থৌরম অদুদা চীফ গেষ্ট ওইনা ৱা ঙাঙখিবা মিনিষ্টরনা দিসএবল্ড দিভলপমেন্ট এসোসিএসন মণিপুর (দি দি এ এম) গী মেম্বরশিংবু ষ্টেট অসিগী হকচাংগী ফীভম তোঙাল্লবা মীওইশিং য়াইফনবা কথোকপগা লোয়ননা থবক তৌবগীদমক্তা থাগৎখি। অসিগুম্বা মীওইশিং অসিগী পুন্সি মহিং ফগৎহন্নবা মহাক্না মীয়ামদা সজেসন পীরক্লবসু হায়খি।

লৈঙাক অমসুং তোঙান তোঙানবা ষ্টেকহোল্ডরশিংগী মরক্তা পাউ ফাওনবা হেনগৎহন্নবা সোসল ৱেলফ্যের দিপার্টমেন্টকী ৱেবসাইট শীজিন্নবা য়াহল্লগনি অমসুং মোবাইল এপ অমা থুনা লোঞ্চ তৌরগনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

রাজ্য সভাগী এম পি লৈশেম্বা সনাজাওবা, দেপ্যুটি দিরেক্টর (দিসএবিলিটিজ) সোসল ৱেলফ্যের এল ধনেশ্বর, দি দি এমগী এদভাইজর কিরনসু থৌরম অদুদা শরুক য়াখি।

# পোজিটিভ ওইদুনা লৈখিদ্রবা মীওইগী ইমুং-মনুংদগী শেল লৌখিবা লৈতে : নুতনচন্দ্র

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০১ (ঐচ এন এস) : ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসন (আই এম সী)না কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইদুনা লৈখিদ্রবা মীওইগী ইমুং-মনুংদগী লুপা লিশিং ১৫গী শেনফম লৌখিবা লৈতে। শেনফম অসি মরী লৈনবা দি সীনা লৈখিদ্রবগী অরোইবা মথৌ মঙম পাঙথোকপগা মরী লৈননা শীন্নবনি হায়না আই এম সীগী পব্লিক হেল্থ এন্দ সেনিটেসনগী চ্যেরপর্সন হিজম নুতনচন্দ্রনা ফোঙদোরক্লি।

আই এম সীগী ওফিসতা ঙসি পাঙথোকখিবা পাউগী মীফমদা হিজম নুতনচন্দ্রনা হায়খি, কোভিদ-১৯না মরম ওইরগা অশি-অনা য়াওরকপা মতমদা আই এম সীগী অমখক্তং লৈজরিবা জমান্দার লোয়ননা অন-ক্লেম দেথ বোদিগী আই ও, এম দি অনৱার আলিনা কথোকপগা লোয়ননা য়ুমগী মীওইশিংনা ফাওবা শোক্ল-শম্নবদা নুংঙাইত্রবা পোজিটিভ ওইবা মীওই ১০০ হেন্না পোৎলোইদুনা লাক্লি। অশিবা হকচাং অদু অরোইবা মথৌ মঙম পাঙথোক্লবা হায়দুনা মরী লৈনবা দি সীগী খুথাংদা লুপা লিশিং ১৫গী শেনফম পীবী। শেনফম অসিনা অশিবা হকচাং অসি পুথোক পুশিন তৌবা মীওই মরিগী লুপা লিশিং ৮, পোৎলোইবদা চঙবা শীং, কেরোসিন, লাইশোন-তীনশোনগী পোৎলম অমদি সেনিটাইজ তৌবগী পোৎলমশিং লৈবদা শীজিন্নরিবনি। শেনফম অসিগা মরী লৈননা আই এম সীনা রিসিপ্ট নৎত্রগা টি আর সী ককপা লৈতে।

খুদোংচাদবা কয়া অমগা লোয়ননা নোংমদা মীওই ৪ দগী ৭ ফাওবগী অশিবা হকচাং পোৎলোইরিবা আই এম সীগী ষ্টাফশিং অসিগী থৌদাং অসি ঐখোয় খূদিংমক্লা মশক খঙফম থোকই। কোভিদ-১৯ লায়না-লাইচৎ মনুংদা আই এম সীনা লৌরিবা থৌদাং অসি মীয়ামদ লান্না উহন্নবা কনাগুম্বশিংনা হোৎনবীগনু হায়না মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখি।

# মিনিষ্টর লোসি দিখোনা য়েংশিনখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০১ (ঐচএনএস): পি ঐচঈ মিনিষ্টর লোসি দিখোনা সিংদা অমসুং কাংচুপতা লৈরিবা ৱাটর ত্রিটমেন্ট প্লান্ট শেমগৎ শাগৎপগী থবকশিং ঙসি হকথেংননা চৎতুনা শাগৎলিবশিং য়েংশিনখ্রে। য়েংশিন খোঙচৎ অদুগা মরী লৈননা মিনিষ্টর লোসি দিখোনা হায়খি, রুরেল ইনফ্রাষ্ট্রকচর দিভলপমেন্ট (আর আই দি এফ) কী ফন্দিং মখাদা সিংদা অমসুং কাংচুপতা ৱাটর ত্রিটমেন্ট প্লান্ট অনী শেমগৎ শাগৎপগী পায়খৎলিবা থবকশিং অসি লোইশিনগদবদগী ফাইনেল ষ্টেজদা লৈরে। ইম্ফালগী মরু ওইবা মফম কয়াদা মরু ওইনা ঈশিং ফংহনগদৌরিবা ৱাটর ত্রিটমেন্ট প্লান্ট অনী অসি থবক হৌহন্নবা অথুবা মতমদা শঙ্গারগনি হায়নসু ফোঙদোকখি। লোয়ননা ৱাটর ত্রিটমেন্ট প্লান্ট অনী অসি শেমগৎ শাগৎপগী থবকশিংসু মতম চানা লোইশিন্নবা মিনিষ্টরনা মরী লৈনবা ৱর্ক এজেন্সীশিংদা খঙহনখি।

# নিপাল লৈখিদ্রে, কেস ১৯৮...

*লামায় ১গী মখা...* কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবা নৌনা থেংনরে। পোজিটিভ ওইরবশিং অসি জেনরেল পোপ্যুলেসনগী মীওই ১৫৬ অমসুং সেন্ট্রেল আর্মদ পুলিস ফোর্স (সী এ পি এফ)কী পর্সনেল ৪২ নি। পোজিটিভ কেসশিং অসি জেনিমসতা ৬১, রিমসতা ২৬, ইম্ফাল ইষ্টতা ১, ইম্ফাল ৱেষ্টতা ৩১, মাইপাকপীদা ১, মাদরস ক্যেরদা ১, স্বিসতা ১, এদভান্স হোস্পিটালদা ২, এ সী এম ঈদা ১, শিজ হোস্পিটালদা ৮, খৃষ্টিয়ন হোস্পিটালদা ১, রাজ মেদিসিটিদা ৪, আর দি ৱিংদা ৪, লিট্টল ক্লিনিক্তা ১, জিবন হোস্পিটালদা ১, ইসেন্ট দাইগ্নোষ্টিক্সতা ৭, বিষ্ণুপুরদা ১৯, ককচিংদা ১, তমেংলোংদা ৩, উখ্রুলদা ৭, সেনাপতিদা ১, তেংনৌপলদা ১, চুড়াচান্দপুরদা ১, জিরিবামদা ২ অমসুং ববিনা দাইগ্নোষ্টিক্সতা ১২ থেংনখিবনি।

জেনরেল পোপ্যুলেসনগী পোজিটিভ ওইরবা মীওইশিং অসিগী মনুংদা ইম্ফাল ৱেষ্টতগী ৬৮, ইম্ফাল ইষ্টতগী ৪১, থৌবালদগী ৭, বিষ্ণুপুরদগী ২১, ককচিংদগী ৩, তমেংলোংদগী ২, কাংপোকপীদগী ২, উখ্রুলদগী ৬, সেনাপতিদগী ১, চুড়াচান্দপুরদগী ২, জিরিবামদগী ২ অমসুং চান্দেলদগী ১ য়াওরি। পোজিটিভ ওইরবা জেনরেল পোপ্যুলেসনগী মীওই খূদিংমক মণিপুরগী মপান্দা চৎলুবগী ত্রাভেল হিষ্ট্রি লৈতবা ঙাক্তনি। পোজিটিভ ওইরবা মীওইশিং অসিগী মেদিকেলগী ওইবা মথৌ তাবা চেকশিন থৌরাংশিং লৌখৎখ্রে।

মণিপুরগী ওইনা অপূনবা কেস মশীং ২৫,২৪৩ শুরে। কেসশিং অসি জেনরেল পোপ্যুলেসনগী ২২,১১৯ অমসুং সেন্ট্রেল সিক্যুরিটি পর্সনেলগী ৩১২৪ নি। ফগৎলক্লবা কেস মশীংনা ২১,৭১৮ নি। ফগৎলক্লবা কেসশিং অসি জেনরেল পোপ্যুলেসনগী ১৮,৯৩৫ অমসুং সেন্ট্রেল সিক্যুরিটি পর্সনেলগী ২৭৮৩ নি। ফগৎলকপগী চাংনা চাদা ৮৬.০৩ ওইরি। অদুগা কেস ৩২৩৬ না এক্টিভ ওইরি। এক্টিভ কেসশিং অসি জেনরেল পোপ্যুলেসনগী মীওই ২৮৯৯ অমসুং সেন্ট্রেল সিক্যুরিটি পর্সনেল ৩৩৭নি। লোয়ননা মীওই ১৫২ সু নৌনা দিসচার্জ তৌখ্রে হায়রি।

**GOVERNMENT OF MANIPUR**
**DIRECTORATE OF TRIBAL AFFAIRS & HILLS**
**IMPHAL, MANIPUR**

-----

**ꯑꯍꯥꯟꯕ ꯇꯥꯛꯄ / NOTIFICATION**

Imphal, the 1st December, 2020

**No.12/NSP/2019-TA&H:** Considering that many intending students could not register online on National Scholarship Portal for ST Scholarship for the year, 2020-2021 due to delay in admission by many Institutes, Online Registration both Fresh & Renewal on National Scholarship is extended till **15.12.2020** by DBT Team, NSP, New Delhi.

2. Further, the following points are clarified for those students applying for ST Scholarship - Renewal on National Scholarship Portal regarding the document to be uploaded as last academic qualification:

(i) For degree/diploma courses, marksheet of last academic year 2019 (1st/3rd/5th Semester) either pass or fail may be uploaded as marksheet of last academic qualification.

(ii) If result of examination conducted in 2019 is yet to be declared, Admit Card of the examination may be uploaded as proof of last academic qualification.

(iii) If both marksheet and Admit Card of last academic year examination are not available, Institutes may include in the Bonafide Certificate or issue a separate Certificate that examination for the academic year 2019-2020 is yet to be conducted.

3. Some Applications have been classified as defected from State Login, the applicants may correct/upload required documents as given in remarks and re-submit the application online on National Scholarship Portal at the earliest so that Institutes can re-verify and submit the same on National Scholarship Portal before 30.12.2020.

4. No complaints or request for extension of Online Registration of ST Scholarship on National Scholarship Portal will be entertained by this Office after 15.12.2020.

For any queries/assistance, contact mobile nos. 9402267219/ 9856301337/ 8974105400/ 9612255251.

Sd/- **C. Arthur Worchuiyo**
Director
Tribal Affairs & Hills

HL-B/6576/02 & 03

## FOREX (INDIA RUPEES)

| FOREX NAME | INDIAN RUPEE |
|---|---|
| Euro | 88.143960 |
| US Dollar | 73.593920 |
| British Pound | 98.556990 |
| Australian Dollar | 54.161160 |
| Chinese Yuan Renminbi | 11.202343 |
| Japanese Yen | 0.705819 |
| Malaysian Ringgit | 18.044018 |
| Singapore Dollar | 54.924733 |
| South Korean Won | 0.066416 |
| Saudi Arabian Riyal | 19.625045 |
| Thai Baht | 2.432914 |
| Myanmar Kyat | 0.05613 |
| Bangladesh Taka | 0.86922 |

**Spot Gold (24K) Rates/10gm**

| | | | |
|---|---|---|---|
| Chennai | – | Rs | 48188.00 |
| Mumbai | – | Rs | 48100.00 |
| Delhi | – | Rs | 47965.00 |
| Kolkata | – | Rs | 48130.00 |

# মণিপুরগী বি এস এফ ওফিসর অমা লৈখিদ্রে

জম্মু, দিসেম্বর ০১ (এজেন্সী) : পাকিষ্টান আর্মিনা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা জম্মু এন্দ কাশ্মীরগী পুঞ্চ দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা লাইন ওফ কন্ট্রোল (এল ও সী) পরিংদা সিজফায়র থুগাইদুনা নোংমৈ কাপশিল্লকখিবদা মণিপুর মচা বি এস এফকী সব ইন্সপেক্টর অমা লৈখিদ্রে। লৈখিদ্রবা বি এস এফকী সব ইন্সপেক্টর অদুগী মমিং পাওতিন্সাট গুইতে কৌই। মহাক মণিপুরগী মফৌকুকি ভিলেজ দগীনি। লৈখিদ্রবা গুইতেগী হকচাং প্লেনদা পুরক্তুনা ষ্টেটকী মপুং ফাবা ইকায়খুম্নবগা লোয়ননা অরোইবা মথৌ মঙম পাঙথোক্লগনি হায়রি।

# এৱ্যোর্নেস প্রোগ্রাম

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০১ (ঐচএনএস): চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা দুথাং ভিলেজদা অসাম রাইফলসনা শিন্দুনা জন অন্দোলন দ্রাইভকী শরুক অমা ওইনা ঙসি কোভিদ-১৯গী মতাংদা এৱ্যোর্নেস প্রোগ্রাম অমা পাঙথোকখ্রে হায়না আই জি এ আর (সাউথ) কী চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, এৱ্যোর্নেস প্রোগ্রাম অদুদা শরুক য়াখিবা মীয়ামদা কোভিদ-১৯দগী ঙাকথোক্লবা হোৎনবদা তঙাইফদনা তৌগদবা অমদি তৌরোইদবশিং লোয়ননা লায়না লাইচৎ অসিগী সিম্পটমগী মতাংদা খঙহনখি।

## GAS NEWS

**IMPHAL LPG SERVICE**
Home Delivery
**Booking : 26/11/20**
Summit house no. LPG ID no
Address with land mark also
digital transaction and online
payment encouraged
5.kg 19.kg available
Enquiry numbers
6009392991, 8014389420
9612718751
Enquiry time 8.30 to 1.pm
please do not contact driver and
handy man except office no i.e.
office no

**SANTHEL BAZAR INDANE GRAMIN VITRAK**
**BOOKING UPTO : 07-10-2020**
VALID FROM 03-10-2020
**STK : 306**
TIME 7:00 -10:00
HOME DELIVERY DATE
02-12-2020
CONTACT NO 7005695308,
6009772483

**CANCHI INDANE SERVICE**
**BOOKING UPTO : 21/10/20**
VALID FROM : 11/10/20
TIMING : 08.00 to 11.00am

**M/s K&K INDANE SERVICE**
Booking upto sl.no.100 A&B
of 28/10/2020
Valid from : 14/10/20
Time : 7.30 to 11am

**GBD INDANE SERVICE**
**Booking upto : 15/10/2020**
Valid from : 30/09/2020
**Stock : 326**
All Customers are Home Delivery (Delivery within 4 days)
Working hours 7:30 AM-12 Noon (Everyday Except Holiday)
Contact no. 7629947179 and 7629947187 for Refill Order and Enquiry

**KHORIPHABA NAMBOL**
**Bk.upto :14-10-20**
(sl.no up to 18297)
Contact no: 9366471778,
8837349474

**HRANGCHAL GAS AGENCY**
VALID FROM: 05/10/2020
**BOOKING UPTO: 10/10/2020**
BOOKING ONLY: 03852444677
ENQUIRY ONLY: 9436280866
TIMING: 8:00AM to 12:00PM

**HIYANGTHANG IDANE**
**Booking 29-09-20**
Valid.26-09-20.
Only home del.
Cont.no. 7005934398.
7629076494. 7005791014.
Whatsapp no. 7085557686.
Office no. 6381538861.
Timing : 7.a.m.to 11.a.m.

**M/S MISAO GAS SERVICE**
ONLY HOME DELIVERY
Booking Upto 14.2kg-
20/11/2020
Valid from-22/10/2020
***19kg Available
For delivery service
Please contact -7085738631or
8119967523
Call timing:8:00AM to 2:00PM.

**TDK GAS**
**BK. UPTO : 04/10/20**
VF : 01/10/20.
HOME DELIVERY ONLY
CONTACT NO: 6909614353,
8731992324

**MANIPUR GAS SERVICE**
**Booking up to : 02/11/2020**
Valid from :14/10/2020
Home Delivery Only....
Contact no : 8730954041,
8259969582
Office Timing:8 am to12.00noon
Note:- DELIVERY TIME WILL
TAKE 4 DAYS